# ফেদরর, নিশিকোরি, ষ্টান ৱারিঙ্কা, ভেনস ৱিল্লিয়মস, মুগুরুজানা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

মেলবোর্ন, জান্যুৱারী ১৮ :
রোজর ফেদররনা মফম অসিগী রোদ লেভর এরেনাদা পাঙথোকখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেচতা অমেরিকান ক্বালিফাইয়র নোঅহ রুবিনবু মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।







গ্রান্দ স্লাম চেম্পিয়ন ১৭লক ওইখ্রবা অমদি ১৭শুবা সীদেদ অসিনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা মেচ অদুদা রুবিনবু ৭-৫, ৬-৩, ৭-৬ (৭/৩) তা মায়থীবা পীখি। মহাক্না মথংগী মেচতা রাইভেল টোমাস বার্দিচকা মায়োক্নদুনা শান্নগনি।

মশাগী চহী ৩৫ শুরবা ফেদররনা অরোইবা সেটতা মহাক্কী অহানবা ওইনা সার্ভিস ব্রোক তৌখি অমদি রেঙ্ক ২০০ শুবদা লৈরিবা রুবিননা নিংথিনা খুৎহনখিদুনা তকখৎখ্রবসু স্বিসকী লেজেন্দ অসিনা মরিশুবা সেট অদু টাইব্রেক্তা পুরকখি। মহাক্না রুবিনবু মায়থীবা পীখিবদা পুং ২ গা মিনিট ৪ চঙখি।

চহী অহুমগী মমাঙদা ৱিমল্লেদন জুনিয়রগী চেম্পিয়ন ওইখিবা মশাগী চহী ২০ শুরবা অমেরিকান অসিগা অহানবা ওইনা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা ফেদররনা হায়খি, ঐনা মফম অসিদা কয়ারক হন্না শান্নখ্রে। ঐনা মেচ মায় পাকখিবদা নুঙাইবা ফাওই হায়না ফোঙদোকখি।

ফেদররনা মায় পাকখিবা অসিনা ক্বালিফাইয়রগী মায়োক্তা শান্নখিবদা অনীরকশুবা ওইনা মায় পাকপা ওইখি। মহাক্ন ওপন অসিগী নিংথৌকাবা নুমিৎতা ওষ্ট্রিয়নগী জর্গেন মেলজরবু সেট মরিদা মায়থীবা পীখিবনি।

ফেদররগা কুমজা ২০১৬ তা মশাগী মখুউদা অনাবা লৈখিবদগী রিও ওলেম্পিক গেমসদা শরুক য়াবা ঙমখিদে। স্বিস অসিনা চহী ১৪ গী মনুংদা অহানবা ওইনা মমাঙ চহীগী নবেম্বর থাদা ৱর্ল্ডগী টোপ টেনগী মনুংদা চনবা ঙমখিদে অমদি কুমজা ২০০১ দগী অহানবা ওইনা এ টি পি ৱর্ল্ড টুর ফাইনেলগী ক্বালিফাই ওইবসু ঙমখিদে।

জপানিজগী আশা তৌরিবা কৈ নিশিকোরিনা মহাক্কী ফোর্স অসি অকা-অকুম নাই হায়না কমপ্লেন তৌবা লৈখ্রবসু মহাক্না ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা জেরেমি চার্দিবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীখিদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

অহানবা রাউন্দদা পুং অহুম মখায় চঙনা শান্নখিদুনা সেট্টর মঙাদা এন্দ্রেয় কুনজেটসোভপু মায়থীবা পীখিবা মঙাশুবা সীদ অসিনা ৭২শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা চার্দিবু পুং অনী চূপ্পা শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অদুদা ৬-৩, ৬-৪, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি।

মসিগী মায় পাকখিবা অসিনা নিশিকোরিনা ফ্রেঞ্চমেনগী মায়োক্তা থংন-থংননা মরিরকশুবা ওইনা মায় পাকপা ঙমখি অমদি চহী তরেৎ চূপ্পা অপনবা অমত্তা য়াওদনা মেলবোর্নদা অহুমশুবা রাউন্দ চঙবা ঙম্বসু ওইখি।

নিশিকোরিনা অহুমশুবা রাউন্দগী মেচতা স্লোভাক্কী ক্বালিফাইয়র লুকাস লাক্কো নৎত্রগা ইজরেলগী দুদি সেলা অনীগী মরক্তা অমগা শান্নগনি।

অমরোমদা, ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলস মেচতা অমেরিকাগী ভেনস ৱিল্লিয়মসনা ষ্টেফানি ভোগেলেবু অনীশুবা রাউন্দগী মেচতা মায়থীবা পীখিদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

মশাগী চহী ৩৬ শুরবী অমদি তরেৎলক মেজর ৱিন্নর ওইখ্রবা ভেনসনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা মশাগী চহী ২৬ শুরবা ভোগেলেবু ৬-৩, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি।

মথং রাউন্দগী মেচতা মহাক্না দুঅন য়িংয়িংগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। য়িংয়িংনা ভার্ভারা লেপচেঙ্কোবু ৬-১, ৩-৬, ১০-৮ দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখিবনি।

ভেনসনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা মহাক্কী ১৭ লকশুবা ওইনা শান্নরি অদুবু অমুক্তা ফাওবা টাইটল লৌবা ঙমদ্রি। মহাক্না কুমজা ২০০৩ দা ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখি অদুবু ফাইনেলদা সেরেনাগী মখুৎতা মায়থীখি।

নম্বর ১১ দা লৈরিবা ইলিনা সভিটোলিনানা য়ু এস ক্বালিফাইয়র জুলিয়া বোসরুপপু ৬-৪, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখি। মহাক্না মথংগী রাউন্দদা নম্বর ২৪ দা লৈরিবী অনাষ্টাসিয়া পাভলয়ুচেঙ্কোভাগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি। পাভলয়ুচেঙ্কোভানা ফেল্লো রসিয়ন নাটালিয়া ভিখলয়াটসেভাবু ৬-২, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখিবনি।

অতোপ্পা মেচ অমদা অলিসন রিস্কেনা নম্বর ২০ দা লৈরিবা ঝান শুইবু ৭-৬ (৭), ৪-৬, ৬-১ দা মায়থীবা পীখি।

গার্বিন মুগুরুজানা অমেরিকাগী টেনিস প্লেয়র সমান্থা ক্রোফোর্দপু য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা মায়থীবা পীদুনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে। হার্দ-হিট্টিং স্পানিয়ার্দ অসিনা অমেরিকাবু ৭-৫, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি। স্পানিয়ার্দ অসিনা মথংগী রাউন্দদা লাটভিয়াগী ৩২শুবা সীদ অনাষ্টাসিজা সেভাষ্টোভাগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। অনাষ্টাসিজা সেভাষ্টোভানা খৃষ্টিনা কুকোভাবু সেট অনীদা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখিবনি।

অমরোমদা, নুপাগী সিঙ্গলস মেচতা ষ্টান ৱারিঙ্কানা অমেরিকাগী ষ্টেভ জোন্সনবু য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীখিদুনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

স্বিস অমদি মরিশুবা সীদ অসিনা পুং ১ গা মিনিট ৫২ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা অমেরিকাবু ৬-৩, ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি। ৱারিঙ্কানা মথংগী রাউন্দ মেচতা সার্বিয়াগী ভিক্টর ট্রোইক্কি নৎত্রগা ইটালিয়ন পাওলো লোরেঞ্জি অনীগী মরক্তা অমগা শান্নগনি।

অমরোমদা, পোলেন্দগী অগজনিজকা রাদৱানস্কানা মফম অসিদা চথরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেচতা মহাক্কী লম্বাবু মায়থীবা পীদুনা সেকেন্দ রাউন্দ চঙখিবগা লোয়ননা মহাক্কী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টাইটল লৌনবা মতম শাংনা ঙাইরকখিবা অদু লোইশিনহনখ্রে।

অহুমশুবা সীদ অসিনা ফেল্লো ভেটরান বলগেরিয়ন টসভেটানা পিরোঙ্কোভাবু ৬-১, ৪-৬, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি। রাদৱানস্কানা মথংগী প্লেদা ক্রোসিয়াগী মিরজানা লুসিক-বারোনিগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি। লুসিক-বারোনিনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ মেচতা চাইনিজ ক্বালিফাইয়র ৱাং ক্বিয়াংবু সেট অহুমদা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

লুসি সাফারোভানা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা য়ানিনা ৱিকসেয়রবু মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি। চেক্কী ভেটরান অসিনা অনীশুবা সেটতা মহাক মশাগী সার্ভতা মেচ পোইন্ট মঙা সেভ তৌখি অমদি টাই ব্রেকরদা অতোপ্পা মেচ পোইন্ট মরি অমগা সেভ তৌখিদুনা মহাক্কী বেলজিয়মগী লম্বাবু ৩-৬, ৭-৬ (৯/৭), ৬-১ দা মায়থীবা পীখি।

কুমজা ২০০৭ তা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবা সাফারোভানা করিগুম্বা তরুক্লক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা সেরেনা ৱিল্লিয়মসগা লম্বা তৌদুনা শান্নরবদি মহাক্না মদাও য়াবা মথৌ তারি।

নুপাগী সিঙ্গলস মেচতা নৌনা হৌগৎলক্লিবা জর্মনগী টীন ষ্টার এলেকজেন্দর জভেরেভনা দটচকী জর্নিমেন রোবিন হাসপু সেট মঙাদা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

মশাগী চহী ১৯ শুরবা অমদি রেঙ্ক২৪ দা লৈরিবা জভেরেভনা রেঙ্ক ৫৭শুবদা লৈরিবা দটচমেনবু পুং ২ গা মিনিট ৫৫ চঙনা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেচঅদুদা ৬-২, ৩-৬, ৫-৭, ৬-৩, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি। মহাক্না মথংগী মেচতা মিখাইল কুকুশকিন নৎত্রগা ফ্রান্সেস টিয়াফো অনীগী মরক্তা অমগা শান্নগনি।

মহাক্না মেচ লোইরবা মতুংদা হায়খি, রোবিননা মতীং থোক্না শান্নখি অমদি ঐনা অমুক হল্লকপা ঙমখিবা অসি খ্বাইদগী লাইবক ফবনি হায়না ফোঙদোকখি।

# মালেসিয়া মাষ্টর্স ২০১৭ : সাইনা নেহৱাল, অজয় জয়ারাম প্রি ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে





সারৱেক, জান্যুৱারী ১৮ :
টোপ ইন্দিয়ন শট্টলর সাইনা নেহৱাল অমসুং অজয় জয়ারামনা মফম অসিদা চথবা হৌখ্রবা সিজন ওপনিং মালেসিয়া মাষ্টর্স গ্রান্দ প্রি গোল্ডগী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা মখোয় মখোয়গী লম্বাশিংবু মায়থীবা পীখিদুনা মথংশিৎনা নুপী অমদি নুপাগী সিঙ্গলস কম্পিটিসনগী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

মশাগী অনাবা লৈখিবদগী মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা রিও ওলেম্পিক্সকী কেম্প্যেনদা ঙন্না লৈহৌখিবী টোপ সীদ সাইনানা মখুউগী সর্জরি তৌখিবদগী ফগৎলকখ্রবা মতুং অচেৎপা থাজবা অমগা লোয়ননা কোর্টতা হল্লকখিবী অসিনা লোপ সাইদেদ কন্টেষ্ট অদুদা থাইলেন্দগী চাসিনী কোরেপাপপু ২১-৯, ২১-৮ দা মায়থীবা পীখি।

মমাঙ চহীগী ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী টাইটল লৌখিবী মশাগী চহী ২৬ শুরবী অসিনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী হন্না রামাদিনিগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি।

প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগতা অফবা ফোর্মদা লৈখিবা তরুকশুবা সীদ জয়ারামনা অনীশুবা মেচতা ইন্দোনেসিয়াগী সাপুট্রা ভিক্কি অঙ্গাবু ২১-৯, ২১-১২ দা মায়থীবা পীখি। জয়ারামনা ওপনিং রাউন্দদা মালেসিয়াগী জুন হাও লীওংবু ২১-১০, ১৭-২১, ২১-১৪ দা মায়থীবা পীখিবনি।

ৱর্ল্ডগী ১৯শুবা মফমদা লৈরিবা ইন্দিয়ন অসিনা মথংগী মেচতা চাইনিজ টাইপৈগী হসুহ হসুয়ন য়িগা মায়োক্নদুনা শান্নরগনি।

অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস কম্পিটিসনদা হেমন্থ এম গোদানা চাইনিজ টাইপৈগী চুন-ৱৈ চেনগী মখুৎতা ৫-২১, ১৯-২১ দা মায়থীখি।

মিক্স দবলসতা নৌনা জুরা শেমখিবা মানু অত্রি অমদি জ্বালা গুত্তানা ইন্দোনেসিয়াগী কোম্বো লুখি এপ্রি মুগ্রোহো অমদি রিরিন অমেলিয়াবু ২১-১৯, ২১-১৮ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি। অদুগা নুপীগী দবলস জুরা অপরনা বালান অমদি প্রাজক্টা সৱান্টনা ইন্দোনেসিয়াগী কোম্বো অঘিস্না ফাথকুল লাইলি অমদি এপ্রিলসাসি পুট্রি লেজারসার ভারিল্লাবু ২১-১০, ২১-১৯ দা মায়থীবা পীখি।

প্রাজক্টা অমদি মহাক্কী মালেসিয়ন পার্টনর য়োগেন্দ্রন খরিশননা হোংকোংগী হী চুন মাক অমদি য়েয়ুং ঙা টিংবু ২১-১৪, ২২-২০ দা মায়থীবা পীখিদুনা মিক্স দবলসকী মথং রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখি।

অদুম ওইনমক বি সুমীথ রেদ্দি অমদি অশ্বিনি পোন্নাপ্পানা তরুকশুবা সীদ ইন্দোনেসিয়াগী টোন্টোৱি অহমদ অমদি গ্লোরিয়া ইমানুএল ৱিদজাজাগী মখুৎতদা ১৭-২১, ১৭-২১ দা মায়থীহৌখি।

কে পি স্রুথি অমদি হরিথা মানাজহিয়িল হারি নারায়ননা মালেসিয়াগী জুরা মৈ কুঅন চৌ অমদি ভিভিয়ন হুগী মখুৎতা ৯-২১, ১৩-২১ দা মায়থীবাহৌখি অদুগা সাট ৱিকসাইরাজ রানকিরেদ্দি অমদি মানীশা কেনা হোংকোংগী কোম্বো টাম চুন হৈ অমদি এন জি টসজ য়ৌগী মখুৎতা ১০-২১, ১৪-২১ দা মায়থীহৌখি।

# নহা ওইরিবা বোক্সরশিংনা য়ুঠ নেসনলগী ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে

ন্যু দেল্লি, জান্যুৱারী ১৮ : নহা ওইরিবা ইন্দিয়াগী পুজিলিষ্টশিংনা মখা তানা মখোয়গী মায় পাকপগী খোঙজেল অদু লেপ্পা লৈতনা চঙশিনখিদুনা মফম অসিদা চথরিবা য়ুঠ নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী কেজি ৫২ গী ফ্লাইৱেঠতা রাজস্থাননগী শিভা দয়াল অমদি এস এস সি বিগী সি ঐচ ৱিলসন সিংহনা মথংশিৎনা টেলঙ্গনাগী বি রাহুল অমসুং অন্ধ্র প্রদেশকী কে গোবিন্দবু ৫-০ দা মায়থীবা পীখিদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। বাউটশিং অদু ৱানসাইদেদ ওইনা চথখি।

কেজি ৫২ গী কেটাগোরি অসিমক্তদা য়ু পিগী সুদীপ কে য়াদভ, পঞ্জাবকী গুরপ্রীট সিংহ অমসুং হিমাচল প্রদেশকী অশিস কুমারনা মথংশিৎনা মহারাষ্ট্রগী কুলদীপ এস কুশৱাহ, অরুনাচলগী কোগাম পোটোম অমদি উট্টারাখন্দগী পাৱন কুমারবু ৩-২ দা মায়থীবা পীখি।

অনকীট রঞ্জন অমদি মণিপুরগী মোইরাংথেম আর সিংহনা মখোয় মখোয়গী বাউটশিং রেফ্রিনা লেপহনখিদুনা মথংগী রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি।

নুপীগী লাইট ফ্লাইৱেঠকী কেজি ৪৫ দগী ৪৮ ফাওবগীদা মণিপুরগী ঐচ মোনিকা দেবী অমদি মহারাষ্ট্রগী টানুশ্রি এস বেঙ্গলেনা মখোয়গী ওপোনেন্টশিংনা শান্নবা লাকখিদবদগী ৱার্ক ওভর ফংখি। নুপীগী ফ্লাইৱেঠকী কেজি ৪৮ দগী ৫১ ফাওবগীদা হরিয়ানাগী অকতানা মণিপুরগী ঐচ যামুনা চনুবু ৩-২ দা মায়থীবা পীরমখি।

# ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দগী অনীশুবা ও দি আই ঙসি কট্টক্তা শান্নরগনি

কট্টক, জান্যুৱারী ১৮ :
নিংশিংনিঙাই ওইনা পুনেদা মায় পাকখ্রবা মতুং ভিরাট কোহিলনা লুচিংবা টিম ইন্দিয়ানা শগোলশেল নুমিৎতা কট্টক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা অনীশুবা ও দি আই মেচতা ইংলেন্দগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

মেন ইন ব্লুবু কেপ্টেন ভিরাট কোহলি অমদি লোকেল বোয় কেদর জাধভনা মশক থোক্না পার্ফোমেন্স পীখিদুনা অহানবা ও দি আইবু ৱিকেট অহুমদা মায় পাকহনখি। য়ুম্বুনা ইংলেন্দনা পীরম্বা টার্গেট রন ৩৫১ অদু বোল ১১ লেমহল্লগা লৌখি। রন মশিং খ্বাইদগী য়াম্না তান্নদুনা লৌবা ঙমখিবগী রেকোর্দ থুগায়বা ঙমখিবা অদুগী মথক্তা কোহলিনা মহাক্কী বোলরশিংবু দিসিপ্লিন ঙাক্না থম্বা পামখি। পুনেগী ৱিকেট অদু বেটতা খ্বাইদগী ফবা ওইখি অদুবু কট্টককী ৱিকেটতি বেটসমেন অমদি বোলর অনীগী হৈশিংবগী মথৌ তারি। অনীশুবা ও দি আইদা অহানবা বোল লংবা অমদি তুংদা রন তান্নবনা অফবা ওইগদৌরি।

অনিল কুমল্লে অমদি ইন্দিয়ন টিম মেনেজমেন্টনা য়ুভরাজ সিংহ অমদি এম এস ধোনিবু মতীং লৈনা শান্নহনবা পাল্লি। মসিগা মান্ননা পুনেদা উৎখিবা নিংবা কায়রবা বোলিং দিপার্টমেন্টতা অহেনবা মিৎয়েং থল্লি।

ঈওইন মোর্গানগী নুপামচাশিংনা থম্মোয় কাইনিঙাই ওইরবা লাষ্ট ও দি আইগী রিজল্ট অদু য়েংলগা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্ননবা ফীরেপ লৌখি।


পনবা য়াই, ভিরাট কোহলি অমসুং কেদার জাধভকী সেঞ্চুরিশিংনা ইন্দিয়ানা মহারাষ্ট্রা ক্রিকেট এসোসিএসন ষ্টেদিয়মদা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা অহানবা ৱান-দে ইন্টরনেসনল মেচতা ইংলেন্দবু ৱিকেট অহুমদা মায়থীবা পীদুনা সেরিজ অসি ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈখিবনি।

মেচ অদুদা ইংলেন্দনা অহানবা বেট্টিং তৌখিদুনা ওভর ৫০ দা ৱিকেট তরেৎ তুরগা রন ৩৫০ লৌদুনা ইন্দিয়াগীদমক টার্গেট রন ৩৫১ থাম্লমখি। ইন্দিয়ানা ইংলেন্দগী পাউখুমদা টার্গেট রন তান্নখিবদা ওভর ৪৮.১ দা ৱিকেট তরেৎ আউট ওইরগা অপুনবা রন ৩৫৬ লৌখিদুনা ইংলেন্দবু ৱিকেট ৩ দা মায়থীবা পীখি।

ভিরাট কোহলি অমদি কেদর জাধভ অনীনা রন ২০০ সিয়র তৌমিন্নদুনা ইংলেন্দগী মায়োক্তা টার্গেট রন ৩৫১ লৌনবগী লমজেলদা মতেং পাংখি। ভিরাট কোহলিনা ইন্দিয়াগীদমক ইংলেন্দগী মায়োক্তা বোল ১০৫ দা রন ১২২ লৌখি। অদুগা কেদার জাদভনা বোল ৭৬ তা রন ১২০ লৌখি। ইন্দিয়ানা ইংলেন্দগী মায়োক্তা শান্নখিবা ৱান-দে ইন্টরনেসনল মেচ অদুদা রেকোর্দ ওইনা খ্বাইদগী য়াম্না রন মশিং লৌদুনা মায় পাকপসু ওইখি।

# সানিয়া অমসুং বোপান্নানা মখোয়গী পার্টনরশিংগা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

মেলবোর্ন, জান্যুৱারী ১৮ :
হান্নগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান দবলস প্লেয়র সানিয়া মিরজানা মফম অসিদা চথরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেচতা মায়োক্নখিবা লম্বাবু মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।



সানিয়া অমদি মহাক্কী চেক্কী পার্টনর বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভানা য়ুকেগী জোসলিন রে অমদি অন্না স্মিথপু নুপীগী দবলসতা ৬-৩, ৬-১ দা মায়থীবা পীখি। সানিয়া অমদি বার্বোরানা মায়োক্নখিবা লম্বাবু পুং অমা চঙনা শান্নখিদুনা মায়থীবা পীখিবনি। মখোয়না অহানবা সেটতা ব্রিক পোইন্ট অমা ফাওবা মায়োক্নবা তৌদনা পোইন্ট ৩৮ ফংদুনা মায় পাকখি। অনীশুবা সেটতা রে-স্মিথনা সানিয়া অমদি বার্বোরাগী সার্ভিসপু অমুকখক ব্রোক তৌখি অদুবু অরোইবদা ইন্দো-চেকনা ব্রিক পোইন্ট তরেৎ লৌখিদুনা মায় পাকখি।

অমরোমদা, ইন্দিয়াগী এস টেনিস প্লেয়র রোহন বোপান্না অমদি উরুগুৱেগী পাব্লো ক্যুভাসনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা মায় পাকখিদুনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী মেন'স দবলসকী অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

ইন্দিয়ন-উরুগুৱেগী জুরা অসিনা ব্রাজিলগী থোমাস বেল্লুসি অমদি অর্জেন্টিনাগী মেক্সিমো গোঞ্জালেজবু ওপনিং রাউন্দদা ৬-৪, ৭-৬ (৪) তা মায়থীবা পীখি।

মখোয়না হৌজিক ওষ্ট্রেলিয়ন জুরা এলেক্স বোল্ট অমদি ব্রেদলে মৌসলেগা মায়োক্নদুনা অনীশুবা রাউন্দদা শান্নগনি। এলেক্স বোল্ট অমদি ব্রেদলে মৌসলেনা রোবিন হাসে অমদি ফ্লোরিয়ন ময়রবু ৬-৩, ৫-৭, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

ইন্দিয়াগী জুরা পুরাভ রাজা অমদি দিভিজ শরননা মখোয়গী মেন'স দবলসকী কেম্প্যেনদা ফ্রেঞ্চকী জুরা জোনাথন ইসেরিক অমদি ফব্রিস মাটিনগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি।

লীএন্দর পেস অমদি মহাক্কী অনৌবা পার্টনর এন্দ্রে সানা ১০শুবা সীদ ট্রিট হুয়ে অমদি মেক্স মিরনয়িগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। পেস-সানা ট্রিট হুয়ে অমদি মেক্স মিরনয়িবু মমাঙ চয়োলদা পাঙথোকখিবা ওকলেন্দ এ টি পি ইভেন্টতা মায়থীবা পীখিবনি।

# পি দব্লিয়ু এল ২০১৭ : হরিয়ানা হাম্মর্সনা জয়পুর নিঞ্জাসপু ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে

ন্যু দেল্লি, জান্যুৱারী ১৮ :
সন্দীপ টোমার, রজনীশকা লোয়ননা টিমগী ফোরেন এক্সপোর্টশিংনা মতেং পাংদুনা হরিয়ানা হাম্মর্সনা মফম অসিদা চথরিবা অনীশুবা সিজনগী প্রো রেষ্টলিং লীগকী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা নৌনা চঙলকপা জয়পুর নিঞ্জাসপু ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।



ফোরেন এক্সপার্ট মাগোমেদ কুরবানেলিভ অমদি মারৱা অমরিনা হরিয়ানাগীদমক পাঞ্জল মান্ননা থমখ্রবা মতুং রজনীশ, সন্দীপ অমদি সোফিয়া মাট্টসননা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীখিদুনা মখোয়গী লম্বাশিংবু নমথরম্লগা হরিয়ানানা য়াম্না কোম্না ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি।

হরিয়ানা হাম্মর্সনা শগোলশেল নুমিৎতা পাঙথোক্কদবা ফাইনেল মেচতা পঞ্জাব রোয়লস অমদি মুম্বাই মহারাথি অনীগী অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতগী ৱিন্নর ওইবা অদুগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি।

গ্রুপ ষ্টেজগা মান্নদনা কাঙলুপ অমত্তা ব্লোক তৌখিদে অমদি বাউট মাপন শান্নখি। নুপাগী কেজি ৭৪ গী কাঙলুপ্তা জিওর্জিয়াগী জাকোব মাকারশভিলিনা মেচকী ওপনিং বাউটতা সুমিট সেহৱাৱাটপু ১০-০ দা মায়থীবা পীদুনা জয়পুর নিঞ্জাসপু য়াম্না ঙন্না মাঙজিল থাহনখি। জাকোবনা মহাক্কী মতীং থোকপা পার্ফোমেন্স পীদুনা হঞ্জিন-হঞ্জিন মখা তানা চিংথখিদুনা ইন্দিয়ন রেষ্টলর সমিটপু বাউট অদুদা অমুক হন্না হল্লক্লবগী খুদোংচাবা পীখিদে। অহানবা রাউন্দদা ৪-০ দা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং জাকোবনা অনীশুবা রাউন্দদসু অদুমক মাঙজিল থাখিবগা লোয়ননা বাউট অদু য়াম্না লায়না মায় পাকখি।

নুপীগী কেজি ৪৮ গী কাঙলুপ্তা ফোগাটকী খ্বাইগী নহা ওইরিবী মচন্নুপী রিটুনা হরিয়ানা হাম্মর্সকী ইন্দু চৌধরিগা লম্বা তৌদুনা শান্নখি।

ববিতা অমদি সঙ্গিতা মচিন-মনাও অনীনা সাইদলাইনদগী পুক্নিং থৌগৎহনখিদুনা রিটুনা ওপনিং রাউন্দদা অহুল্লক ইন্দুবু চিংথখিদুনা ব্রিক ফাওবদা ৬-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি। অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দুনা মতীং থোক্না খুৎহন্নবা হোৎনরকখ্রবসু রিটুনা মহাকপু খুদোংচাবা অমত্তা পীখিদে। রিটুনা মহাক্কী রাইভেলবু মখা তানা নম্মৎখিদুনা পোইন্ট অনী অমগা ফংদুনা ৮-০ দা মায়থীবা পীখিবগা লোয়ননা জয়পুরবু মাঙজিল থাহনখি।

হরিয়ানাগী ফোরেন এক্সপোর্ট মাগোমেদ কুরবানালিভ অমদি মারৱা অমরিনা মখোয়গী বাউটশিংদা দোমিনেট তৌনা চৎখিদুনা মায় পাকখিবগা লোয়ননা টিমবু ২-২ দা চাং মান্ননা থমখিবদা মতেং পাংখি।

নুপাগী কেজি ৭০গী কাঙলুপ্তা রসিয়াগী মাগোমেদনা ইন্দিয়াগী ভিনোদ কুমার ওম্প্রাকাশতগী লাকখিবা অকনবা চেল্লেঞ্জবু লাকথুখি। ওম্প্রাকাশনা মহাক্কী হৈথোই শিংথোইরবা দিফেন্সিব উথোক্তুনা শান্নখি অদুবু অরোইবদা মাগোমেদকী মখুৎতা ৫-০ দা মায়থীখি। নুপীগী কেজি ৫৮ গী কাঙলুপ্তা মারৱানা দোমিনেট তৌনা শান্নখি। টুনিসিয়াগী রেষ্টলর অসিনা ইন্দিয়নবু হঞ্জিন-হঞ্জিন নম্মৎখিদুনা বাউট অদু ১০-০ দা মায় পাকখি।

নুপাগী কেজি ৬৫ গী কাঙলুপ্তা হরিয়ানাগী রজনীশনা কৃক কৃক ইন্ননা শান্নখিবা বাউট অদুদা জয়পুরগী রাহুল মান্নবু ৮-৬ তা মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী টিমবু অহানবা ওইনা মাঙজিল থাহনখি। হেঞ্জিন্নবা য়াদনা কৃক কৃক ইন্ননা শান্নখিবা অদুদা রজনীশনা মতম পুম্নমক্তা নিংথিনা শান্নখিদুনা মাঙজিল থানা লৈনবা হোৎনখি। ব্রিক ফাওবদা রজনীশনা ৬-৩ দা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং অনীশুবা রাউন্দদা রাহুলনা অকনবা মওংদা খুৎ হনখিদুনা মার্জিন হন্থহনখি। অদুম ওইনমক রজনীশনা মহাক্কী তৌবা ঙম্বদু উৎখিদুনা অরোইবদা মোমোন নোকপা ঙমজখি।

জয়পুরগী রিও ওলেম্পিক্সকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট জেন্নি ফ্রান্সননা তরুকশুবা বাউট অদু মায় পাকখিদুনা ৩-৩ দা লেভেল মান্ননা থমখি। নাকল নামত্তগী ওইনা চথখিবা কন্টেষ্ট অদুদা স্বিদেনগী জেন্নিনা নুপীগী কেজি ৭৫ গী কাঙলুপকী বাউট অদুদা হরিয়ানাগী কিরনবু ৮-০ দা মায়থীবা পীখি।

মমাঙগী বাউটতা রিও ওলেম্পিক্সকী গোল্ড মেদলিষ্ট ভলাদিমির খিনচেগাশভিলিবু মায়থীবা পীখিবা সন্দীপ টোমারনা য়াম্না টাইটলি ওইনা চথখিবা কন্টেষ্ট বাউট অমদা মায় পাকখিদুনা হরিয়ানাবু মাঙজিল থাহনখি। রিও ওলেম্পিয়ন সন্দীপনা নুপাগী কেজি ৫৭ কী কাঙলুপ্তা রাহুলবু ৫-৪ দা মায়থীবা পীখি।

নুপীগী কেজি ৫৩ গী কাঙলুপ্তা রিও গেমসকী ব্রোঞ্জ ৱিন্নর সোফিয়া মাট্টসননা মহাক্কী লম্বাবু মিনিট ২ গা সেকেন্দ ১৫ চঙনা শান্নখিবা বাউটতা ৮-০ দা মায় পাকখিদুনা হরিয়ানা হাম্মর্সপু ফাইনেলদা মায় ওনশিলহনখি। হরিয়ানা হাম্মর্সকী কেপ্টেন অব্দুস্লাম গাদিসোভনা টুর্ণামেন্ট অসিদা মখা তানা মায় পাকখিদুনা কেজি ৯৭ কী কাঙলুপ্তা ইলিজবার ওদিকাদজেবু ৫-৪ দা মায়থীবা পীখি।


ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN Foundation Course for Class I to X Starts: 5th Jan. 2017

5th Open Mega Mock Test for HSLCE 2017

RE - SCHEDULED TIME TABLE

| Date & Day | 31/01/2017 (Tuesday) | 02/02/2017 (Thursday) | 04/02/2017 (Saturday) | 08/02/2017 (Wednesday) | 12/02/2017 (Sunday) | 15/02/2017 (Wednesday) |
| --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- |
| Subject | Science | MIL (Man, El. Man.) | English | Social Science | Mathematics | Addl. Sub |




Contact : 9856988840 / 9402897710 / 8732022342 BOARDING FOR BOYS & GIRLS

HL-B/3606/12/01-11/02